# পেরামিলিটরি ফোর্সশিং মপুঙ ফানা দিপ্লোয় তৌদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীতৈশিং কনবীনবা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** লৈবাক অসিগা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারদগী চঙলকখিবা কুকিশিংনা চরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চুরচান্দপুর টাউনদা ঙরাং পুন্দুনা খঙহৌদনা মীতৈশিংগী য়ুমশিং মৈ থাদুনা এটেক চখুখিবা অদুগা মরী লৈননা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কম্যুনেল ওইবা থৌওং অমা লাকপা হৌরক্লিবা অসিদা সেন্টরনা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা অমদি খুদক্কী ওইনা মীতৈশিংবু ঙাক শেন্নবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌবীনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল থাখ্রে হায়না ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা অইবা ৱারোল অদুদা ঙরাং মশিং য়াম্লবা কুকি ইম্মিগ্রেন্টশিংনা মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থাদুনা মফম অদুদগী তাম্থোরকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্কা সু তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপশিং ফাওবা য়াওশিল্লত্তুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখ্রে। মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা ম্যান্মারগী কুকিশিং অসি মহৌশানা য়াম্না ভাইওলেন্ট ওইবা ফুরুপনি। মরম অদুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদগী অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা ফিভম অমদা লাকপা য়ানা লৈরি।

য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারদগী অরানবা মওংদা চঙলকখিবা চিন-কুকি কম্যুনিটিশিংনা মণিপুরগী উমংগী শরুকশিংদা পোপি পাক শন্না থাবা অমদি চীংগী লমশিং অরানবা মওংদা খোপচিনবগী থবক চখুরি। অরানবা মওংদা ফোরেষ্টকী লমশিং খোপচিল্লক্লিবা অদু থিংনবগীদমক মণিপুর গভর্নমেন্টনা ইভিক্সন তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুবু লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসিবু কুকি ইম্মিগ্রেন্টশিংনা কম্যুনেল ওইবা মওংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরে। ইম্মিগ্রেন্টশিং অসিনা মীতৈশিংদা য়েংথিনহন্নবা হোৎনরে।

অমরোমদা লমদম অসিদা হান্নদগী হৌনা খুন্দামিন্নরক্লবা মীতৈ নত্তবা য়েলহৌ ফুরুপশিংদা চিন কুকি ফুরুপশিংনা লান্না লমজিংনবা হোৎনরি। মণিপুর হায় কোর্টনা মীতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চলহনবগী মতাংদা রিকম্মেন্দসন থানবা খঙহনখিবা অদুবু ইম্মিগ্রেন্টশিং অসিনা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নদুনা অতোপ্পা য়েলহৌ ফুরুপশিং অসিবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরকপনি।

লমদম অসিদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অসি ইম্মিগ্রেন্ট কম্যুনিটি অসিনা হান্না ফজনা শেম শাবা লোইরবা মতুংদা চখুরকখিবা থৌওংশিং ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। মরম অদুনা লমদম অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম কন্ট্রোল তৌনবা অমদি মরাল লৈবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী চেরোল অদুদা পল্লি।

# কম্যুনেলগী থৌওংশিং চখুদনবা অপিল তৌরক্লি

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা মণিপুরদা ঙরাংদগী হৌরগা কম্যুনেলগী ওইবা থৌওংশিং থোরক্লিবা অদুবু নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস) না কন্দেম তৌরকখিবা লোয়ননা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা কম্যুনেলগী ওইবা থৌওংশিং চখুদনবা অপিল তৌরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা নেফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোকশিং অসি ৱারী শান্নরগা লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি। মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হয়েং লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা মীয়ামগী ওইবা খোঙজং অমা চঙশিনগদৌরি। খোঙজং অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি কম্যুনিটিশিংনা শরুক য়াগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা হন্দক থোক্লিবা ইরাং অসি মণিপুর লৈঙাক্না খুজিন থৌরাংদা শোয়রকপদগী থোকপনি। মশাগী ওইজবা খরা ফংনবা মানবা মওংদা পোলিটিক্স তৌরকপদগী ঙসি মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্লরিবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা গভর্নমেন্ট ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি পুলিসনা মতম চানা ইরাং কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা লৈফম লৈহনখিদ্রে। কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা ভাইওলেন্সকী থৌওংশিং থোকপা মতমদা খ্বাইদগী হেন্না অৱা চৈথেং ফংলিবশিং অসি লাইরবা অমসুং নোংমগী শুরগা হিংজরিবা মীওইশিংনি। পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক য়াম্না হন্থবা থাক্কী পোলিটিক্স তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি।

অমরোমদা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা কাঙলুপ মশেল নুংশিনহন্দনবা মওংদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্লি অমদি ষ্টেট অসিগী কম্যুনেল হারমোনিদা চাওনা শিংনরক্লি। মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসি য়াম্না থুনা কন্ট্রোল তৌদুনা অমদি লন্নাই ইন্টরেষ্টতা অরানবা পাউশিং শন্দোক্লিবা মীওইশিং অসি ফাদুনা চৈরাক পীদ্রবদি ফিভম লুশিল্লকপা য়ানা লৈরি। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু মীচং মীখায় নাইবা তৌদনা কম্যুনিটি খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর গভর্নমেন্টনা থোক্লিবা ইরাং অসি মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা অসি লাইবক থিবনি। হৌজিক্কী ওইনা অৱা চৈথেং ফংলিবা নোংমগী শুরগা চারিবা লাইরবা মীওইশিং অসিগী য়েংলগা মণিপুরদা লৈরিবা কম্যুনিটি খুদিংমক্না কম্যুনেল হারমোনি মেন্টেন তৌদুনা থম্নবা হোৎনগদবনি। অমগা অমগা হাৎতোক্লবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা ৱারী শান্নদুনা ঈং তপ্পা মওংদা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু : শিভ সেনা

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** চহী কয়াগী মমাংদগী লমদম অসিদা য়াম্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লবা অমদি হৌমিন কামিন্নরকপা লোয়ননা লাইরিক লাইশু তম্মিন্নরকখিবা অদু খঙহৌদনা কাউথোকনহনখিবা অমদি কনাগুম্বা অমদা নৎত্রগা লৈঙাক্তা পেন্দবা কয়া লৈরবসু মরাল লৈজদবা মীচম মীয়ামগী লন থুম অমদি য়ুম কৈ কয়া মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনখিবগী থৌওং অদুবু শিভ সেনা মণিপুরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শিভ সেনা মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা পার্টি অসিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. এম তোম্বীনা হায়, পেন্দবা কয়া লৈরবসু লৈঙাক্কা ৱারী শান্নরগা অপেন পেন্দ অদু খন্ন নৈনবা য়াই। মদু নত্তনা মমল য়াম্লবা মীওইবগী পুন্সিবু খাঙুথক্তা হেক্তা লোইশিহনবা তৌবীগনু। ঐখোয়না খুৎ থাদ্রিঙৈদা হান্না মহাক্কী মরাল করিনো হায়বা অদু ৱাখল খন্থবা মথৌ তাই। লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা পেন্দবা লৈরবসু শিভ সেনা মণিপুর প্রদেশকী খুথাংদা নৎত্রগা অতোপ্পা পাম্বৈ অমগী মতেংনা ৱারী শান্নরগা থোক্লিবা ইরাং অসি খুদক্তা লোয়শিন্নবা হোৎনবনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি।

হৌজিক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থোক্লিবা মৈহৌ লাংপোক থোকহন্দুনা মীয়ামগী লন থুম মাঙহনবা অসি খুদক্তা লেপ্পীনবা অপিল তৌরক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম কায়হন্দনা থম্নবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৬১ গী মতুংদা মণিপুর রিজর্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা নৌনা খুন তাশিল্লকপা অদু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইভিক্সন তৌরকপা অসি শিভ সেনাগী ওইনদি অরানবা নত্তে হায়না লৌই। মসিনা তুংগী মীরোলদা কায়রক্কদবা কয়া অদুদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি। অদুবু ৱাখল্লোন তানদবা খরদগী মৈ থাবা য়াওরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। মসিদা মাঙজরিবসি ঐখোয় মশেলনি। অথুবা মতমদা নাকল অনীনা খোঙফম খরা হন্দাক্লরগা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনগদবনি অমদি লাক্লিবা মে ৭ নুংথিল পুং ৪ তাবদা মণিপুর দেমোক্রেটিক এলাইন্সকী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা মীফম অসিদা এলাইন্স অসিদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ৯ গী লুচিংবশিং শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা মতম চানা লাকপীনবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা লৈঙাক্না লোং টর্ম সোলুসন অমা অথুবা মতমদা পুথোক্তুনা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী হেন্না পাকথোক চাওথোক্ত্রিঙৈদা লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লৈবাক ইরাংনা মরম ওইরগা মীতৈ ময়েককী এগজাম য়ৈথোক্লে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৭ তা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোন অপুনবা লূপ (মীলাল) না শিন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মীতৈ ময়েককী এগজাম অদু হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মীলালগী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীলাল কংলৈপাকনা লমদম অসিগী মহৈ তম্ফম শঙশিংদা মীতৈ ময়েক তমহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা হৌখিবা কুমজা ২০০৫ দগী হৌরগা মতমদুগী মীলালগী লুচিংপুরেল চিংশুবম অকাবগী লীচিং মখাদা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০০৬ তগী হৌরগা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌহনখ্রে। মহৈলোয়শঙশিংদা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌহনখিবা অদুবু নীংশিংবা ওইনা চহী খুদিংগী মীলাল কংলৈপাকনা শিন্দুনা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা মীতৈ ময়েক চাংদম্নবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

চহী অসিগী ওইনসু থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবনি। অদুবু লমদম অসিদা খঙহৌদনা কাঙলূপ নাইবা থৌওং অমা থোরকপদগী লৈঙাক্না কর্ফিয়ু থমজিনখিবনা মরম ওইরগা স্কুলশিং থোঙ লোনখ্রে। মরম অদুনা থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপ্লম্বা অদু লৈঙাক্কী অনৌবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা মতম খরগী ওইনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, খুদোংচাদবা খরনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা মীতৈ ময়েক চাংদম্নবগী এগজাম য়ৈথোকখিবা অসিগীদমক মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিং অমদি স্কুলগী ওজাশিংনা ৱারৌবা তৌবীগনু। লৈবাক্কী ইরাং হেক ফবগা পাউ চেশিংগী খুথাংদা এগজাম পাঙথোক্লবা মতম অমুক খঙহল্লক্কনি। অমরোমদা এগজাম অসিদা মহৈরোয়লীশিং হেনবনা শরুক য়ানবা ফোর্ম পীশিল্লকখিবা অদুবু মীলালনা থাগৎপা ফোঙদোকই হায়রি।

## শো কোজ নোটিস ইস্যু তৌনবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):** লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পাউ চে খরদা ওনলাইন বেট্টিং অমদি গেমব্লিংগা মরী লৈনবা এদভরটাইজমেন্টশিং হাপ্লকখিবা অদুবু প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা সুও মোটো কোগ্নিজেন্স লৌখত্তুনা হায়রিবা পাউ চেশিং অসিগী এদিটরশিংগী মথক্তা শো কোজ নোটিস ইস্যু তৌনবা খঙহনখ্রে হায়রি। শো কোজ নোটিস ইস্যু তৌগদৌরিবা পাউ চেশিংগী মনুংদা দাইনিক জগ্রন, দাইনিক ভাস্কর, হিন্দুষ্টান টাইমস অমসুং টেলিগ্রাফ য়াওরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৫।০৫।২০২৩ ইং, ইরাই;
কালেনগী থানিন।

**মেষ:** কিবা, লৌশিং থোক্তংবা, পাউ নুংঙাইতবা তাবা লৈরসু নীংবা থুংগনি, মরুপ্না চাল্লি, অফা-অপুন কোকচৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃষ:** পাউ নুংঙাইতবা তাগনি, চীংনবা পোকপা, মরুপ কায়নবা লৈগনি। হকচাংদি নুংঙাইগনি, য়েক্লববু ঙমজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** শাওনিংবা, ৱাখল ইথোক থোক্তবা লাইবক ফবা ৱাৎপা নুমিৎনি। নোল্লুক্না চৎপা, নীংহন্নদবা অমদি নক্লবা লোয়নবনা নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** নখা তাবনা উশিত্তবা, অশাওবনা কায়নবা নংবা, অফা অপুন্নবা য়াবা লৈ-খাঙবা কল্লু। অফবা মফম ফংজবা থাগৎপীবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** মীৱা থাজবনা কিবা পোকপা, মহু চাওবনা তাথিবা লৈরবসু নীংবা থুংগনি। অচুম্বনা মায় পাকচবা, মীয়ামগী মতেং ফংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক য়াম্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্য:** ইচঙ থৌবা ঙমদবা, নাইতোম ৱারেপ লৌবা মাঙজবা, নীংবা মপা চাদবা নুমিৎনি। নচাক নরলদি চাওখৎকনি। লাই গুরুনা চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোইনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** কায়নবা, অঙম্বনা ইমুংদা য়েংথিবা খরা লৈরসু নীংবা থুংবা, পুক্লিং পেন্না থৌ পাঙবা, থৌনা ফুদোকপা মতাং চাবা, নারল চাওখৎপা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক য়াম্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃশ্চিক:** লৌশিং ফুদোকপা ৱাই, নীংবা মপা চাবা ৱাৎলি। অফা অপুনগী থবক্তা খুৰৌ থাংগনি। নীংথিনা পোরম য়াৎথোক্লগা পাঙবা থবক্তি শোয়দনা মায় পাক্কনি, ঙাঙবসু পকচৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু:** লম খুদিংদা মায় পাক্কনি। নীংবা মপা চাগনি, লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি, মীয়ামগসু মরী খজিক ফগৎকনি। অফা অপুন্নবা লৈরবসু কোকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর:** পাইরককী লৌশিং খরা শোল্লসু, মৈদগী অকিবা লৈরসু অনীংবা থবক পাঙগনি, মীচঙ ৱাৎলোই, মরুপশিংনা লুনা তৌবীগনি, নোল্লুক্লদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** য়েক্লবা লৈরল্লসু মাঙখিগনি, থবক থৌরম শিনবা হৈগনি, নচা ননাইশিংগী মতেং ফংগনি। অফা অপুন্নবা, খৎনা চৈনবদি মায়থিবা য়াই - চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মীন:** লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগনি, পল্লম্বা অপাম্বা থবক পাঙবগী নুংঙাইবা, অফবা লৌশিং ফংজবা নুমিৎনি। পাউদি নুংঙাইতবা, মহু চাওবনা নরল মৎপীবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈবীয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈহিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ৱারীনি ৱারী, অতোপ্পনা লীনদবা - (১)

ঐগী মরুপ মপাংশিংনা ঐঙোন্দা তত্তনা হায়... 'নহাক্কী মীৎয়েং মীনা য়েংনবা মীৎয়েংদগী হেক্তা তায়ওন্নরিবসি করিগীনো'...? মতম অমা ঐনা ঠিয়েটরদা এক্টিব ওইরিঙৈ 'মথংগী মহাক্কী প্রদক্সন করি কারন তৌরক্কদগে' খন্দুনা নক্লবা মরুপ মপাংশিং ঐগী অনৌবা লীলা খৌরাংনা ঙাইনবগী তানফম অমা লৈরম্মী (ঐহাক শক্লাইবা লীলা তৌবা মীদি কৈদৌঙৈদা ওইখিদে)। মতমদুগী ৱাথোক চাওবা দ্রামা অমনি - 'চাংয়েং লৈই' (১৯৯২)। রমায়নগী 'সীতা' মশানা য়ানা রাবনগী নাক্তা চৎখিবনি হায়বা লীলাগী মরুওইবা ৱা মচং অদুদগী থোক্লকখিবা ৱাথোক্লি। য়ু পিদা কল্যান সিংহনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক লৈরিঙৈ, এলাহবাদ'ত উৎলুবদা অয়েংবশিংগী অশাওবা মায়োক্লদুনা, ওন্থোকপা ফিভম অমদা ইয়ুম লমদম পাংলকখিবা... লীলাদুনা মরম ওই' অনৌবা স্কোলার মরুপ ওইখিবা (মুকেস সন্যাল)... হল্লকপগী খোঙচৎতা, ত্রেন মনুংদা থেংনদুনা লীলাদুগী ৱারী শান্নখিবা পাতনা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অমদি রিছর্স স্কোলার... ঙসিসু তরং তরং নীংশিংলি। লীলা অদু ইননবা মচাক খোমজিনবগী 'সেন্ত্রেল লাইব্রেরী' দা ফমদুনা থা কয়া পাখিবা লাইরিকশিং- মমিংশিংদু কাউখ্রসু, ৱারীদুদি কাউদরি। নংশিং শক্তম ওইনা লৈহৌবদু, মরক মরক মরুপ-মপাংশিংদা লীরুবা- থাজবীবা খরা, থাজবীদবা খরা - মী মখল অনীনী থেংনরকখিবা। থাজবীবা কাঙবুনা হায়, 'ৱারীশিংদু পারকখিদে ঐখোয়দি, পারুবসু ফংলরোই... ঐখোয়না তাবদা নুংঙাইরিবা অসিগুম অতোপ্পা খরনসু নুংঙাইবদু লৌনবা অমুক্তং ইথোকহন্নিংই'। থাজবীদবা কাঙবুনা হায়- 'নহাক্না লীরিবা ৱারীসি ঐখোয়না পারকপা রমায়ন্দদি থেংনদে, নহাক্না শাজিনবা ওইরিনি, নৎত্রগা কাতু কারন ইরগতা নুংঙাইজবা কাঙবুনা ইরকপদু নহাক্না পারুবা ওইরমগনি, লৌবা য়াবা ৱা নত্তে'।

চহী লীশিং কয়াদগী পাথাং পুথাং লীনরক্লবা, মালেম শীন্না খঙনরবা ৱারীদুদা শেমদোক-শাদোক তৌদুনা নৌনা অমুক ইথোকপা- ঐহাক্কুম্বা অমগী ইতিক ওইফম থোকপরা? ঈরোনদা ফোঙবা লাইরীকমকসু নত্তবা, চাওখ্রবা 'ইপিক'/মহাকব্য অমবু পাবা/খঙবা, নত্তে অরায়বা থবকসু। অপাবা/অতাবা ঐঙোন্দা থ্রিল্লিং ওইবা পন্দুপ'তু খিত্তং হেন্না কুপশিন্না পানিংলুবা খক্তনি। করিগীসু পানিংলোই - লুহোংবতা ঙাইরিবী, রানী ওইনি লাকখিবী, শাগৈগী মৌ অমবু চহী তরামরি উমং-পুন্সি লেল্লুনবা থাদোকপা...উমং মনুংদুদগী মতীক-মঙাল চাওরবা নিংথৌ অমনা তাল্লোয় ওইহন্নি ফাখিবী নুপীদু মচানুপী ওইরম্লে...। ৱারীসিবু করম্নো? কয়াম' চুম্বা লীখুন্নো? সীতাবু রাবনগী মচানুপী! করম্না কদায়দা পোকখিবা? জনকপুরিগী নিংথৌ জনককী মরানয়াইদা করম' য়ৌখিবা? খঙনিংলোইদবা কনানো? ৱারী লীবা ইপুবোক 'মঙলেমজাও'ন লীবা ৱারীদুদদি য়াওখিদবনি। অদুগুম্বা ৱারীদু মরীক চুম্না তাহৌবা, বাল্মিকি-তুলসিদাস-কৃতিবাস'না ইবা রমায়নদুসু পারুবা খরদুনসু, মকন্থি থোক্না শাওনা হায় - 'রমায়নগী ৱারী মতাং অমত্তদা ৱাফম অদু পল্লমদে, নৱা লৌদে, তানীংদে'। মায়োক্লনা ঙাঙনবা ঙম্লবা, কনানা-করম' হায়রম্বা- থিজিল্লুবদা খঙলকই... ৱারী অসি 'খঙফাত্তবা অখঙবা' অমত্তনা ইশিনবা ৱারী ওইরমদে। ওরিজিনেল রামায়ন ইরম্বা 'বাল্মিকী মুনি' মশামক্না ইরম্বনি। অদুবু 'রামায়ন' মিংথোনবা মহাকাব্য অসিদদি ইরমদে। পন্দুপ কুন্তরেৎ খায়দোক্তুনা ইরম্বা 'অদভুত রামায়ন' (অঙকপা রামায়ন) মিংথোনবা- রামায়ন্দা য়াওদবা, খঙফম থোকপা অরোন অথুপ পুম্নমক ফোঙদোকপা অতোপ্পা লাইরিক অমদা ইরম্বনি। অতোপ্পা অইবা অমনা ইবা নত্তে, বাল্মিকী'মক্না ইরম্বনি।

শাংলবা ৱারী অমনি, পীকখ্রবা কোল্লম অসিদা ইরুগনি করম্ন? অদুবু ইরগেদি খল্লুরে, সুপচিল্লবা ৱারী মতেক অমা। সীতা করম্না পোকখিবনো - ৱারী অসি খঙনবা, রাম অমসুং রাবনগী হৌরকফম ৱারী অদুসু খঙলুদবা য়ারক্তে। চুম্মি-লাল্লি থিবিরুনু, চহী লীশিং কয়াদগী লীনরক্লবা ৱারীনি খন্না তাবীয়ু। আ মথায় থায়না, কুইরবগী মমাংনি। ব্রহ্মা কৌবা লাইদুগী, মতিক-মগুন (শক্তি) লৈরবা মচা তরেৎখক 'বিষ্ণু' গী সনা শঙ্গায়দা 'অমুক্তং থৌগল তৌজগে' লেঙলক্লম্মী। অপাবশিংনা নীংশিংবীগদবা অমনা, বিষ্ণু পুরানগী মতুংইন্না, বিষ্ণুগী মচা পুম্নমক 'পুক্লিংদগী পোকখিবা ঙাক্তনি, অদুনা খঙনখিবনি' 'মনসুপুত্র' হায়নসু। বিষ্ণুগী থৌগল তৌগে লাক্লিবা ব্রহ্মাগী মচা তরেৎতু মশাগী অকনবা শক্তিনা চহীবু খুদুম চন্দুনা, চাওখৎলকপা নাইদনা অঙাং নৱা ওইন'সুম লৈবা ঙল্লবা ঙাক্তনি হায়বদু খঙলুদবনা, বিষ্ণু-শঙ্গায়গী থোঙশঙবা জয়-বিজয় অনীনা থোঙজিন্দা থিঙদুনা চঙহনখিদে। চঙবা য়ানি/য়ারোই নীংঙাই শংদানর' মতুংদা নাৱা মানবশিংদুনা অশাওবগী খোম্থোক্তা হায়রকখি... 'ইরেন্না-হায়রিঙৈ য়াজহৌ, ঐখোয়গী শাপ ফংলবা, নবুংঙোগী মনাকসিদা লৈঙল্লোই, মপোক লাংওন কয়াফাও মী ওইনা পোক্লুনবা মালেম তম্না থাগনি'...। নাৱা মতীক নত্তনা ঙাঙথোরকপা ৱাদুদা জয়-বিজয় অমুক হেন্না শাউখরে, শাপ মায়োক্লখরে। তাঞ্জাদুদা মমাঙদা শ্রী বিষ্ণু মশামক ফোং ফাওরক্লে। পাউদম অদু তারগা নুংশিরবা মনাই অনীদা চিংনা য়েংলগা হায়রকখি... 'নুংশিরবা ইদাইরেম, পাম্বৈ লৈত্রে হৌজিক্তি, লেম্না মাঙবা য়াদবা শাপ মায়োক্লখরে, অতিথি মশক খঙলুদবনা... অদুবু, ইনাই ওইনা লৈরম্লবা নখোয়নি পাম্বৈ অমা পুথোক্কে... নাম্থোকফদ্রবা শাপ ওইবনা, লাইরৈপাকসি থাদোক্তুনা মীরম্লেন্দা মী ওইনা পোক্লুদবদি য়াররোই... ঐবু নীংজবা ভক্ত ওইনা মীরক্তুদা পোক্লগা, মপোক লাংওন কয়া অমা তাইবংদুদা হিংগেরা... নৎত্রগা, ঐগী য়েক্লবা ওইনা মরক্তুদা মপোক অমখক পোক্লগা, ঐগী খুৎতা নথৱায় অদু থারগা, ঐগী নাকসিদা অমুক তন্না হল্লক্কেরা... খঞ্জৌ নঙগী অপাম্ব...।

নাম্থোকপা য়াদ্রবা তানফমনি। জয়-বিজয় অনীদু খনবা য়াবা খল্লগা হঙ্গৎচরে মবুঙোদা... 'তেনখ্রবা তাইবং মপোক অমখক মী ওইনা পোক্লুরগা ননাই ওইনা ননাক্তা লৌশিনবীনি হায়রবা, পোকচরুগে ঐখোয়'নীমক নহাক্কী য়েক্লবা মীফত্তা ওইনা তাইবংদা'...।

বিষ্ণুগী থৌজাল ফংদুনা জয়-বিজয় অনীনা ত্রেতা যুগ'ত রাবন অমসুং কুম্ভ-কর্ম ওইনা লঙ্কা লৈপাক্তা, হিংচাবা (অসুর) শিংগী নিংথৌ ওইনা পোকখিবনি লঙ্কা লৈপাক্তা। মনাইশিংবু লানবীগনি ৱাশকখিবদু ঙাক্লবা, শ্রী বিষ্ণু মহাকসু 'চক' (যুগ) অদুমক্তদা শ্রীরাম ওইনা শায়োনবা তাখি, শায়োনখি।

ৱারী'সি ৱারী ওইনা তাবীয়ু, রিএলিটি ওইনা লৌবীনু।

(মখা নিংথৌকাবদা)

মমি ৱারী

# নাকেন্থাগী অয়ুক্না লাক্লিংঙৈ

তুশার নোংথোম্বম



